



# থাঙ-তাবু ওপ্সনেল সবজেক্ট ওইনা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েলবতা হাপখ্রবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা শিন্তাকপা অমত্তা লৌবিদনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবনিঃ কোঙ্গেংবম লেম্বা


**শান্নবুংগী পাউদম**
**গ্যানন্দ নাওরেম**


মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমদি কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েলবতা থাঙ-তা ওপ্সনেল সবজেক্ট অমা ওইনা হাপখ্রবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা শিন্তাকপা (ওজা) অমত্তা লৌদবা অসি লাইবক থীবনি। লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌশিল অমগী মতাংদা ওজা লৌবগী তঙাযফদবা লৈ হায়না থাঙ-তাগী লিকয়ান (মেদল) কয়া ফংলকখ্রবা কোঙ্গেংবম লেম্বনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা শা-লানগী মহৈ কাঙলোন অমা ওইরিবা অরিবা লোলদা হুইয়েন লাংলোন হায়রগসু খঙনরিবা থাঙ-তা য়েলহৌ মশান্না অসিগী মতাংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পল্লেল মমাঙ লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা কোঙ্গেংবম শামুঙৌ অমদি কোঙ্গেংবম ওংবী অনীতা অনীগী মচা য়াইমা কোঙ্গেংবম লেম্বনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি অঙনবা মতমদগী লৈজরক্লবা শা-লানগী মহৈ কাঙলোন অমনি। হায়রিবা মশান্না অসি মীওইবনা য়ুমলিং-কৈরিংদ্রিঙৈ মমাঙদগী শা-কৈদগী ঙাকথোকচনবা পান্থৈ অমা ওইরম্বনি। মতমগী মতুংইন্না মীওইবনা য়ুম-কৈ শাবা হৈরক্তুনা অমদি খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকপা মতমদা য়েক্লবদগী মশা ঙাকথোকচনবা অমদি মফুরুপপু য়েক্লবদগী ঙাকথোক্লবা খঙদবা হৈতবা য়াদ্রবা মহৈ কাঙলোন অমা ওইনা তম্লরম্মী। মসিদসু নত্তনা থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি মণিপুরগী পুৱারীগী তৎনা থানবা য়াররোইদবা অমদি শাগোন্নদুনা লৈরক্লে হায়বসি মৈতৈ ঐখোয়গী পুৱারীদা ময়েক লানা য়াওরি। খুদম ওইনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী থাঙ-তা হায়রিবা মহৈ কাঙলোন অসিনা খ্বাইদগী অথোয়বা মহৈ অমনি লৌনবগা লোয়নননা লৈঙাক্লোননি লৌনৈ। মসিদসু নত্তনা হিংদুনা লৈরিবা চৎনলোন (লিভিং কলচর) অমা ওইনা লৈজরিবা লাই হরাওবা অমদি মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদসু ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না অদুম্মক উবা ফংলি। অমদি মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা খুদম চাংদম ওইদুনা লৈরি। অমত্তং ওইনা পল্লবদা কুমজা ১৯৮১গী এঙ্গলো মণিপুর ৱার অসিসু অমনি। মখা তারকপদা থাঙ-তা হায়রিবা অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক য়াম্না লেখ্রে। মসিগী মনুংদা য়াওরিবা কাঙলোনশিং খরা পল্লবদা থকশি-খাশি, চাকচা-য়ুথক, থৌগল্লোন, য়ুম্ব্বাল্লোন, লাইনিংলোল, লৈঙাকলোন, শেন্নীৎলোন পনবা য়াই হায়খি।

> *"থাঙ তাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী মীংচৎ মালেমগী লৈমায়দা থম্নবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনমীন্নসি"*

মহাক্লা হায়, ঙসিদি লাইবক ফদুনা শিখরুরবা য়েলহৌ মশান্না অসি নৌহৌননা ময়োল চোংলক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মার্সিএল আর্টশিংনা ঙসিদি পীকখ্রবা ষ্টেট মণিপুরদা য়ৌরক্তুনা শুমাং খুদিং শান্নরকপগুম ঐখোয়গী লৈজরিবা থাঙ-তা অসিসু ঐবু তাকপী তন্বীরকপা ওজাশিংনা কন্না হোৎনবীদুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফম্বাক্তা শান্নবা থেংনরে। থাঙ-তা অসি স্পোর্ট খক্তমক নত্তে। মসিদা কলচর, টুরিজম অমদি এদ্যুকেসন য়াওরি। মসিনা মরম ওইরগা ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা থাঙ-তা অসি য়েলহৌ মশান্না অমা ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা য়াম্না পান্নরকপদা নত্তনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদসু থাঙ-তা শান্ননিংবগী মমি চাওনা তারক্লি।

ইন্দিয়াগী অতোপ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু ঙসিদি থাঙ-তাগী মশান্না অসি ষ্টেট এসোসিএশন শেমদুনা শান্নরে। শম্না পল্লবদা থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি নেশনল অমদি ইন্টরনেশনল



স্পোর্টস এরেনাদা শান্নদুনা মণিপুরবু মশক তাকপদা চাওনা থৌদাং লৌরক্লি। পনবা য়াবদি, থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি ঙসিদি স্কুল গেমস ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মথংশিংনা গেমস ১৪ মুক পাঙথোকখ্রে। অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদসু চহী ১২ হেন্না টুর্নামেন্ট পাঙথোক্তুনা হেন্না মশক থোকপা মশান্না অমা ওইনবা কন্না হোৎনরি। লাইবক ফৱদি মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টস, ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী থাঙ-তা অসিবু খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা য়াওহন্দুনা য়েলহৌ মশান্না অমা ওইনা চহী মরিরোম মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা হেন্না মশক থোকপা স্পোর্টস অমা ওইনবা কন্না হোৎনরি। মসিদসু নত্তনা থাঙ-তা ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্লি। ঙসিদি থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি এদ্যুকেশনগী লমদসু য়াম্না খুমাং চাওশিল্লকপগী মমি তারক্লি। মণিপুরগী ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা ক্লাস নাইনদগী ক্লাস টুয়েলব ফাওবা থাঙ-তা অসি ওপ্সনেল সবজেক্ট অমা ওইনা য়াম্না পাম্না স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিংনা তম্লরি। বোসেমনা কুমজা ২০১৬ তা অদুগা কোসেমনা কুমজা ২০১৮ দা মথংশিংনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েলবকী এগজামিনেশন পীহন্দুনা মথং-মথং সবজেক্ট অসি পাম্না তম্লরি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সবজেক্ট অসিগী শিন্তাকপা অমত্তা লৌবিদবনা মরম ওইরগা স্কুলনা ওজাশিং শেনফম খর-খরা পুথোক্লদুনা শিন্তাকপা নেক্তুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তমহল্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদসু ঙসিদি খ্বাইদগী মহৈরোয় য়াম্বা লোইশঙ অমা ওইনা থাঙ-তা অসি তম্বগা লোয়নননা থিজিন হুমজিনবা কয়া তৌরক্লে। অদুবু লাইবক থীবদি য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা থাঙ-তা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টসনা ফুল ফেজেদ রিকগনিসন পীদবনা মরম ওইরগা ঙসি ঙসিমক মহাক মশা য়াওনা থাঙ-তা পাম্না শান্নরিবশিংনা মণিপুরগী মীংচৎ কয়া পুরক্লবসু ঐখোয়না পায়জরিবা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী সার্টিফিকেটশিং অরেম্বদা তাদুনা লৈরি। মরমদি তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসশিংনা মাগী মাগী স্পোর্টস শান্নবদা ফংলকপা সার্টিফিকেট অদুনা লৈঙাক্লা লৌবা থবক্তা কোট্রা পীদুনা অমদি থবক ফংহন্দুনা খুদোংচাবা কয়া পীরি। অদুমকপু থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসিগী ওইনদি ঙসি ফাওবদা ঐখোয়না পায়জরিবা সার্টিফিকেট অসিগী চন্নফম খঙদনা লৈরি। মসিগী মতাং অসিদা মণিপুরগী ফম্নাইবশিং অমদি লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙহনবীয়ু হায়না মহাক্লা অপিল তৌরক্লি।

মহাক্লা হায়, হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংদা মথক্তা পনখ্রিবা অতোপ্পা মশান্নশিংদা পীরিবা খুদোংচাবা অসিগুম্না থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসিদসু পীরবদি মশান্না অসি মালেমগী থাক্তা হেন্না হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমগনি। ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থন্বীরম্বা থাঙ-তা অসি লন্বী লমজাওদা ফম্নাইবা অমদি য়াইতোং ফমদোংবা ওক্লবা খক্তমক




থম্বা নত্তে। মালেমগী অতোপ্পা মার্সিএল আর্টকী হৌরকফম ওইরিবশিংনা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোকখিবদা মখোয় মখোয়গী মপা-মপুশিংগী আর্ট ফোর্ম অমা শক্তাকচবা ঙল্লে হায়না মালেমগী মীয়াম মমাঙদা চাওথোক্লে। অদুমকপু ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুনা থন্বীরম্বা মার্সিএল আর্ট অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফম্বাক্তা শান্নহন্দুনা ঐখোয়সু ইপা-ইপুশিংগীদমক চাওথোকচনবা হোৎনফম থোকই। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা থাঙ-তাবু অহেনবা মীৎয়েং চঙলবদি য়াম্না চাওখৎপা মশান্না অমা ওইগনি। লোয়ননা করিগুম্বা থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসিনা ওলিম্পিককী থাক্তা পুখৎতুনা মালেমগী শান্নবুংদা য়াওখিবা তারবদি মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিংদা ওলিম্পিক প্লেয়রনা চেংগুম শৌবগুম শৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কোঙ্গেংবম লেম্বনা চাওরাক্লা নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা সনাগী লিকয়ান (গোল্ড মেদল) ১৫ রোম ফংখ্রে। অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা সনাগী লিকয়ান অমা ফংখিবগা লোয়নননা দলিট সাহিত্য একাদেমীনা কুমজা ২০১৮দা ডা. বি আর অম্বেদকর নেশনল এৱার্ড ইন দি ফিল্ড ওফ থাঙ-তা পীরকখ্রে। কোঙ্গেংবম লেম্বা জে এন ভি চান্দেলদা মহৈ তম্লিঙৈদো থাঙ তাগী নাৎকী ওইবা থৌরমশিং উৎনবগীদমক তম্বীবা লাকখিবা ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়দগী শিন্তাকপাময়াংলম্বম ধনচন্দ্রগা থেংনরবা মতুং থাঙ-তা শান্নবগী অপাম্বা পোক্লক্তুনা লম অসিদা চঙলকখিবনি। মদুগী মতুং ৱাবগাইদগী শিন্তাকপা য়ুম্নাম অমুমচা, য়ুম্নাম হুইদ্রোমদগী শিন্তাকপা হুইদ্রোম প্রেমকুমার, হুইদ্রোম কিরনকুমার, তোপ খোংনাংখোঙদগী অরাম্বম তোন্দাং অমদি সগোলবন্দগী শিন্তাকপা য়ুম্নাম দিজেনগী মখাদা থাঙ-তা শিন্দমলকখি। মহৈগী থাক্লা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজ, কোমলাথাবীদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা কুমজা ২০২৩দা ফিজিকেল এদ্যুকেশনদা গ্রেদুএট লোইশিনখ্রে। হৌজিক হৌজিক্লা সনা কোনুংগী অঙোম নিংথৌগী য়েৎথংখনবা ওইনা লৈবাক্কী থৌগল তৌরি।

# ষ্টেট লেভেল জৱাহরলাল নেহরু হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):** দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ঙসিদগী চহী ১৫ অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ষ্টেট লেভেল জৱাহরলাল নেহরু হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথুগদবা জে এন হোক্কি টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিন, দিপার্টমেন্ট অসিগীমক্কী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটো, হোক্কি ওলিম্পিয়ান ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা, য়াসকী দিপ্যুটি দিরেক্টর শংলাকপম নিলকান্তা, জুদো ওলিম্পিয়ন সুশিলা লিকমাবম, অর্জুন এৱার্দি লাইশ্রম সরিতা, য়াসকী সিনিয়র ফাইনান্স ওফিসর এন পারিথোইহেন অমদি য়াসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর এন অনিতা চনুনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপা নুমিৎকী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখা নুপামচাগী অহানবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ঙ পাইওনিয়র ইংলিস স্কুলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

হোক্কি টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা য়াসকী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিননা হায়, হোক্কি হায়রিবা মশান্না অসি লমদম অসিগা য়াম্না চানবা অদুগুম্লবা মশান্না অমনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ঙসিদি মোদর্ন হোক্কি লাকপদগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা হোক্কি মশান্না অসি গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা মতীক চানা ফেসিলিটি লৈরবা শান্নবুং কয়াদা মপুং ফানা শান্নবা ফংলে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীং-তম অনীমক্তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমদি জিরিবাম য়াওনা অতৈ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু হোক্কিগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দশিং মিনিষ্ট্রিগী খুত্থাংদা শেমগৎলগনি লোয়নননা ইম্ফাল এরিয়া খক্তা নত্তনা অতৈ পেরিফেরি এরিয়াশিংদসু মতমগা চুনবা মওংদা এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দশিং থম্লগদি লমদম অসিগা চানবা হোক্কি মশান্নগী শান্নরোয় মশিং থিঙমদনা থোক্লকপগা লোয়নননা হেন্না মশক নাইবা হোক্কিগী ওলিম্পিয়ান কয়া শোয়দনা থোক্লক্তুনা লমদম অসিবু মালেমদা মশক তাকপদা অচৌবা ফিদা অমা কল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল শান্নখিবা চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগী অহানবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ঙ পাইওনিয়র ইংলিস স্কুলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লমজাও হায়স্কুলবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। অদুগা চহী ১৭ মখা নুপীমচাগী মেটচতসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ঙ পাইওনিয়র ইংলিস স্কুলনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এ দি এল ইংলিস স্কুল ৱাবগাইবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

# দি সী চান্দেল ট্রোফিঃ জফৌ ৱাই সী অমসুং দামজোল ৱাই সী ফাইনেল শান্নরগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫গী জফৌ ৱাই সী অমদি দামজোল ৱাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।



থা অসিগী ২দগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরক্লিবা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা দামজোল ৱাই সীনা চকপীকারোং ৱাই সী মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৯শুবা মিনটতা দামজোল ৱাই সীগী রেংটিনসননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দামজোল ৱাই সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা চকপিকারোং ৱাই সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং মান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা চকপিকারোং ৱাই সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু দামজোল ৱাই সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি


**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট যোগ এন্দ রিসার্স এসোসিএশন ককচিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএশনগা খুৎশম্নরগা অহানবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮ অমসুং ১৯দা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ৬তা নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৩৬৬৬৬৯৪৬৬তগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।




HL-B/9494/12


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1590**

**IM Roberto Junio Brito Molina (2434) - GM Anton Korobov (2687)**
**Titled Tuesday 13th Oct chess.com INT (9), 2020.10.13**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 d5 4.cxd5 exd5 5.Bg5 c6 6.e3 h6 7.Bh4 Bf5 8.Qf3 Qb6 9.Qxf5 Qxb2 10.Qc8+ Ke7 11.Rb1 Qxc3+ 12.Kd1 g5 13.Bg3 Ne4 14.Nf3 Bg7 15. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1589 Solution :**

**36. Rd8 Re8**
*36...Bg7 37.Rxh8 Bxh8 38.Qd8#*
*36...Rf8 37.Qd7+ Rxd7 38.R1xd7#*
**37. Bc6** *The white bishop decoys Black's rook. The white bishop deflects Black's rook away from protecting the square d7.* **Rxc6**
*37...Kf8 38.Rxe8+*
*37...Bg7 38.Rxe8+*
**38. Qd7+** *The white queen forks Black's rook, king and rook. The white queen attacks Black's rook, which is defending the square g8. The white rook attacks Black's rook, which is defending the square g8.* **Kf8 39.Qxe8+ Kg7 40.Qg8#**
*Swallow's tail mate*
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com